# মণিপুর ষ্টেট লীগ : এস এস য়ুনা নাকো মায়থীবা পীখ্রে; মুভানলাই এথলেটিক্স অমদি নেসু খুরাই দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এসএসয়ু) শীংজমৈনা নম্বুল মপাল এথলেটিক্স এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো) নম্বুল মপালবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মুভানলাই এথলেটিক্স অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু) খুরাই ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা এস এস য়ু অমদি নাকো অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা শান্নবা হৌরকপদা লম্বা মান্ননা শান্নখি। এস এস য়ুগী কাউন্টর এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী নাওরেম সঞ্জিবনা শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা য়ুম্নাম জয়চন্দ্রনা শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা এস এস য়ুগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ঙাইরাংবম রাকেশনা শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা নাকোগী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা স্কোর ১-২না লৈহনখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা নম্বুল মপালগী নুপামচাশিংনা গোল হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা শান্নখি। অদুবু শীংজমৈ টিমগী কাউন্টর এটেক অমদা ১৮য়ার্দ বোক্স মনুংদা নাকোগী ঙাঙোম পিটরনা ফাউল তৌরুবদগী শীংজমৈ টিমগী ফেভরদা রেফরিনা অমুক হন্না পেনাল্টি অমা পীখি। নিংঙোম্বম কবিরাজনা স্পোট কিক্ অদু গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা এস এস য়ুগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখিবগা ঙাইহাক লৈরগা গোলমৈ অপু কবুইনা শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা নাকোগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তানা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী এস এস য়ুনা নাকোবু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মুভানলাই এথলেটিক্স অমদি নেসু খুরাই ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। নেসুগী বিক্কিলাইতোঞ্জমনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা মেটচ লোইরমদাই সেমসন হাওবিয়াকমোননা শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ২৩দা গ্রুপ এগী মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবদা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন অমদি য়ুনাইটেদ খোজিম ব্রদর্স নুংথিল পুং ১২.৩০দা অদুগা অনীশুবা মেটচতা এথলেটিক ফুটবোল ক্লব অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব পুং ২.৪৫দা শান্নরগনি।

# এসিষ্টেন্ট ফিফা রেফরি মোইরাংথেম মাঘো তরাম্না ওকখ্রে



ককচীং, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী রেফরি কম্মিটিগী দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন খল্লকখ্রবা ককচীংদগী এসিষ্টেন্ট ফিফা রেফরি মোইরাংথেম মাঘো ঙসি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী ওফিসতা হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অচম্বা থৌরম অদুদা দি এস এ ককচীংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোবীনা মোইরাংথেম মাঘোদা লেংয়ান ফি অমদি অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরমগা মরী লৈননা দি এস এ ককচীংগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম নিলোনা ফোঙদোকখিবদা, এ আই এফ এফনা লৈবাক অসিদা ফুটবোল চাউখৎনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটতগী রেফরি রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা মোইরাংথেম মাঘোবু রেফরি কম্মিটিগী দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন খল্লকপা অসিনা ষ্টেট অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী লম্দা চাউখৎপা মায়কৈরোমদা পুরকপদা অচৌবা মতেং পাংবা ওইরগনি হায়খি।

মোইরাংথেম মাঘোনা ফোঙদোকখিবদা, এ আই এফ এফকী মখাদা লৈরিবা সব-কম্মিটিশিংগী মনুংদা রেফরি কম্মিটি অসিদা মণিপুরগী ওইনা হৌখিবা চহী ২৪ অসিদা মীহুৎ অমত্তা য়াওদনা লাকখিবনি। অদুবু শাংলবা মতম অসিগী তুংদা মহাকপু কম্মিটি অসিদা য়াওবা ফংজদুনা দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন ওইনা খনবীরকপা অসি লাইবকয়াম্না ফবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, মহাক্কী মায়কৈদগীসু মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা ফুটবোলগী অহোংবা অসিগা ইরোয়ননা ইন্দিয়াগী ফুটবোলনা মাংলোমদা হেন্না চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনখিগনি হায়খি।

## দি এস এ ককচীং লীগকী ওফিসলশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা থা অসিগী ২৩দগী ওক্টোবর ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন অমদি ১৯শুবা কিশোকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী মেটচ কন্দক্ট তৌনবা ওফিসল ২১গী মমিং লাউথোকখ্রে।

ওফিসলশিং অদুদি মেটচ কম্মিস্নর-রেফরি এসেসরদা এম রনিদাস, এম নিমাই, পি ঐচ দিনেশ্বর অমদি এম মাঘোনি। রেফরি ওইনা চিম চিম সর্টো, বিদ্যাপতি য়ুম্নাম, এস লিতনবালা চনু, টি ঐচ অরুনকুমার, এম বিদ্যাসাগর, সী ঐচ সেমসন, রিগাল ময়েংবম, টি ঐচ পর্শুরাম, তেলেন রাজেশ কোম, এল দেরেক মরিং, টি অঞ্জুল মরিং, বিকেন, মোদাংশিম, অজোয়, দি কে মোদারফুন, রাহুল অমদি অনগর কোমনি।

খনগৎলবা ওফিসলশিংনা থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ১২.৩০দা দি এস এ ককচীংগী ওফিসতা লাক্কুনা জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## জিরিবাম যোগসনা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা এসোসিএসননা শীন্দুনা অহানবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা চেম্পিয়নশিপ ২০২২ ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা জিরিবামগী এম এল এ, এম দি অসবউদ্দিননা অথোইবা মীথুংলেন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি কে শরতকুমারনা থৌরম মপূ অদুগা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস মনিতোন অমদি চেম্পিয়নশিপ অসিগী দিরেক্টর নবকুমার সিনামচানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ডা. অরুনকুমার মঙাংনা ফোঙদোকখিবদা, যোগ হায়বসি মীপূম খূদিংমক্কা শান্নরবদি ৱাখল-লৌশিং পীবদা নৎতনা খুন্নাই অসিদা অফবা ৱাখল খনবা ঙম্বা, তিঞ্জং-কায়জংদবা ওই হায়বসি মীপূম খূদিংমক্কা খঙনরবনি।

লৈবাক অসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরুনা তোয়না শান্নরম্বা মশান্না অমা ওইবা মরম্না ঙসি মালেমগী থাক্তা যোগ অসি পুখৎপা ঙম্লকখিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ষ্টেট অসিগী থৱায় য়াওনা শান্নরিবা যোগ শান্নরোয়শিংনা ইন্টরনেসনল যোগ গেমদা শরুক য়াবগী খূদোংচাবা লৈরগনি হায়খি।

লোইশিল্লকপদা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মকোক মথং তারবশিংদা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিংনা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

## এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি মরি খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মীফম অমা ঙসি ফম্লবা মতুং এসোসিএসনগী ওফিসকী এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি এক্তিভিটিশিংবু মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা মেম্বর ৪বু এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে। খনগৎলবা মেম্বর ৪ অদুদি মোহমদ জানে খান, এস জি তেন মীতৈ, এম তোন্বীমচা অমদি টি ঐচ ওজিৎনি।

## থাঙলোনগী ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর ন্যু দেল্লীগী শেন্থং মখাদা হৈবোক নিংথৌ থাঙ-তা এসোসিএসননা শীন্দুনা থাঙলোনগী ওইবা ফেষ্টিভেল অমা থা অসিগী ২৬তগী ৩০ ফাওবা হিয়াংথাংদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী শিন্দম শঙদা পাঙথোক্লগনি হায়না হৈবোক নিংথৌ থাঙ-তা এসোসিএসন হিয়াংথাংগী সেক্রেটরি এস ঐচ শ্যামানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ফেষ্টিভেল অসিদা থাঙ-তা মহৈগী শরুক অমা ওইরিবা থাঙলোনগী অকুপ্পা মরোলশিং খঙ-হৈরবা ওজাশিংনা তাকপী-তম্বীগনি অমদি মহৈ অসিগী তোঙান-তোঙানবা কাঙলোনশিংদা অথোই-অহেন তান্নগনি।

ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা থাঙ-তাগী শিন্দম শঙশিংগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক হিয়াংথাংদা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতগী লাক্লগা খঙলবা য়ারগনি।

## অম্ফানা এল ৱাই সী সীগী মেনেজর এক্সপ্লেনেসন কোল কৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমস ২০২২গী রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্পকী খনগৎলবা শান্নরোয়শিংবু কেম্প মনুং অমদি গেমস চথরিঙৈদা টুর্নামেন্ট অমত্তা শরুক য়াদনবা লাউথোকখ্রবা মতুং অম্ফানা শীন্দুনা চথরিবা অনীশুবা অম্ফা কপ ২০২২গী থা অসিগী ১৭তা গ্রুপ বিগী কুকি স্পোর্টিং ক্লব (কে এস এ) অমদি লিৱাচংনিং য়ুঠ কলচরেল ক্লব (এল ৱাই সী সী) অনীনা শান্নখিবা মেটচ নম্বর ৯দা এল ৱাই সী সীদগী খনগৎলবা শান্নরোয়- আর্মষ্ট্রোং দিলবুং রামুংনাও (জর্সি নম্বর ২১)বু শান্নবা য়াওহল্লম্বগীদমক ঙসি অম্ফাগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং এল ৱাই সী সীগী মেনেজরবু এক্সপ্লেনেসন কোল কৌখ্রে।

এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা কুপ্না খন্নরবা মতুং এল ৱাই সী সীনা অম্ফাগী মেমোরেন্দম রেফ. নং. ১/অম্ফা/ঈ সী এম/২০০১বু ভাইওলেট তৌবগী দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎনবা এক্সপ্লেনেসন কোল থাখিবনি।

এক্সপ্লেনেসন কোল অসি শুংশোয় শোয়দনা এল ৱাই সী সীগী মেনেজরনা মথংগী মেটচকী মাংওইননা অম্ফাগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইদা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়রি।

## মতমবু ঙাক্না চৎপা অসিনা থবক খূদিংমক্কী মায় পাক্নবগী অহানবা খোঙথাংনি : মিনিষ্টর দিঙ্গো

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): মতমবু ঙাক্না চৎপা হায়বা অসিনা থবক খূদিংমক্কী মায় পাক্নবগী অহানবা খোঙথাংনি হায়না সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইরেনশজিক খুলদা ওল মার্সিএল আর্টস একাদেমি হাংদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা মণিপুরদা চৎনবী ওইনা করিগুম্বা ফঙ্কসন অমদা মতম চপ চানা ঙাকপগী মহুৎতা থেংথনা হৌবগী চৎনবী অমা ঙসিগী খুন্নাইদা লৈরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংনা শীন্তাকলোয়শিংবু মশক খঙনা থকশি-খাশি ঙাক্না চৎপা, অফবা চীঞ্জাকচাবা অমদি মতম চানা শান্নবনা মীথোই-মীহেনবা ঙমগনি হায়খি।

লমদম অসিগী নহারোলশিংদা শান্ন-খোৎনবা, লাইরিক-লাইশু অমদি খূৎ-শা হৈবা য়াওনা লম্‌কয়াদা মতিক ময়াই লৈজরবসু ঐখোয়না খ্বাইদগী মথৌ তারিবদি মতমবু ঙাক্না থকশি-খাশি খঙনা থবক তৌবগী হৈনবী লৈবা অসিনি।

এটোম বোমনা চাওনা মাঙ-তাকহনখ্রবা জপাননা মতমগী মমল খঙনা চৎপনা ঙসি মালেমদা চাউখৎপা অমদি টেক্নোলোজিগী লম্‌দা মাং থাবা ঙম্লিবনি।

ঙসি হাংদোক্লিবা একাদেমি অসিনা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা নোংম-নোংমগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না লাকশিল্লক্লবা খুন্নাই অসিবু কনবা ঙমগনি। ষ্টেট অসিগী লোইজিং লোয়া শীনবা থুংনা হৌরক্লিবা নহারোল কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লরিবা অসিনা তুংগী লাইবক্তা য়াম্না নুংনাঙবা ওইরি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগ কেম্প্যেনবুসু মীয়াম্না মতেং পাংবীনবা আপীল তৌখি।

## মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা মীয়ামদগী মতেং নিরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): ষ্টেট অসিগী বোক্সরশিংনা মালেম অমদি নেসনলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌরকপবু শকখঙবীদুনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরদা জুনিয়র গর্লস নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ চহী অসিগী ওক্টোবর ২৮দগী নভেম্বর ২ ফাওবা পাঙথোক্নবা খঙহল্লক্লি। চেম্পিয়নশিপ অসিবু মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী লমদম অসিগী মীয়াম অমদি লূপ-ওর্গনাইজেসনশিংনা বন্দ, ব্লোকেদ তৌবীদনবা অমদি শেলগী মতেং পাংবীনবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (মাবা)গী মেম্বরশিংনা কুপ্না খন্নরবা মতুং কুইরবা চহী ৩০ হেন্না ষ্টেট অসিদা নেসনল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপা ঙমদনা লাকখিবা অদু হন্দক্তি শান্নরোয়শিংগী খল্লগা পাঙথোকসি হায়না লেপ্নখি। নেসনল চেম্পিয়নশিপ য়ূম্বু ওইবা হায়বসি অরাইবা থবক নত্তে, মতিক চাবা গ্রাউন্দ, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ট্রান্সপোর্টেসন, ফূদিং লোদজিং চাওরক্না মী ৫০০/৬০০ মুক্কী নুমিৎ ৭নিগী শিন-লাংবা হায়বসি অরুবা থবক অমনি।

এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসিগী য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর কে গোবিন্দাস অমদি য়াসকী দিরেক্টর ওইরিবা টি ফুলেনদা হায়জরুবদগী চেম্পিয়নশিপ অসি নংনবা হৌজিক-হৌজিক খুমন লম্পাক বোক্সিং এরিনা অসি শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কন্না পায়খৎপীরি। মসিগীদমকসু মাবাগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসিবু শিন-লাংবদা চাওরবা শেনফম অমা মথৌ তাবনা মসিগীদমক লমদম অসিগী পূকচেল চাওরবা চাওরবী অমসুং ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংনা অঙম-অঙম্বা শেলগী তেংবাঙ পীবীদুনা মায় পাকপা চেম্পিয়নশিপ অমা ওইহনবদা শরুক য়াবীয়ু হায়রকপগা লোয়ননা কনাগুম্বা মতেং পাংবীনিংবশিংনা মাবাগী বেঙ্ক একাউন্ট- এস বি আই পাওনা বজার (একাউন্ট নম্বর - ৩২৮৮৭০৭৩৪৭১, আই এফ এস সী - এস বি আই এন ০০০৭৪৪০) অমদি আই য়ু সী বি বি টি রোদ (একাউন্ট নম্বর - ০৩১৭০০২৯২২০১, আই এফ এস সী - য়ু টি আই বি ও এস আই য়ু সী বি আই) দা পীবীনবা খঙহল্লক্লি।

তেংবাঙ পীখিবা মীওইশিংনা মিং, লৈফম অমসুং শেল মশীংগী অকুপ্পা মরোলশিং মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনদা মোবাইল নম্বর ৯৪৩৬২৭১৭৬৫গী খূথাংদা খঙহনবীরক্নবা হায়রি।

বালানন্দ সেকেন্দ দিভিজন লীগ

## লোক্তাক এফ সীনা জি দি সী, এন জি ৱাই দি সীনা এল ৱাই ভি ও মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৬শুবা এন বালানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা লোক্তাক এফ সী লোক্তাক প্রোজেক্ট অমদি এন জি ৱাই দি সী ঙাকচৌপোকপী মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এন জি ৱাই দি সী ঙাকচৌপোকপীনা এল ৱাই ভি ও চোথেবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টি বিজুনা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা এন জি ৱাই দি সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এম বোইনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিন্দুনা এল ৱাই ভি ওবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি। ঐচ রোশননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫০ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা গোল ২ অমগা হাপচিন্দুনা এন জি ৱাই দি সীনা এল ৱাই ভি ওবু ৪-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা লোক্তাক এফ সীনা জি দি সী থিনুঙ্গৈবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

লোক্তাক এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কে ঐচ জেবিসন, এল অথাং কোম অমদি গাংকু গাংমৈনা শান্নবগী ১৩, ৩৭ অমদি ৪৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। থিনুঙ্গৈগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লোক্তাক এফ সীগী ভিশাল পোলনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ওইবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এল অশানন্দনা মায়পাকখিবা লোক্তাক এফ সীগী দি নিংথৌইলুং অমদি ভিশাল পোল শান্নবগী ৪৯ অমদি ৭১ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।


টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ২২দা টি ৱাই দি এ তৌবুল অমদি ৱাই দল্লিয়ু এ নিংথৌখোং লম্বা তৌনরগনি।

HL-B/7775/1/9-1/10

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

LOAN AVAILABLE
# 2/4 Wheeler Loan
# Housing Loan
# Pension / Service Loan
# Loan Against Property
# Business Loan
# Electronics / Electrical Loan
Moirang, Nambol অমসুং Samurou গী ওইনা Office Asst. 2/2, Gr - IV, 2 Wheeler Mechanic, Car Driver, Car Wash Helper 2/2 পামজৈ।
Sd/- L.G. Finance
Khagempalli, Nambol, Thoubal, Kakching, Moirang and Samurou
# 8731978490 / 9774495994
HL-B/7804/19/8-16/10 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 578**

**K Muranyi (2359) - N Huschenbeth (2287)**
**ch-GER Osterburg GER (5), 2006.02.07**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Bc4 Nf6 | 3.Qf3 c6 | 4.Nc3 g6 | 5.d3 Bg7 |
| 6.h3 O-O | 7.g4 d6 | 8.Nge2 Be6 | 9.Ng3 b5 | 10.Bb3 b4 |
| 11.Nd1 d5 | 12.Ne3 a5 | 13.g5 dxe4 | 14.dxe4 Nfd7 | 15.Bxe6 fxe6 |
| 16.Qg4 Qe7 | 17.Nc4 c5 | 18.Be3 Nc6 | 19.c3 bxc3 | 20.bxc3 Rf4 |
| 21.Qd1 Rd8 | 22.Qd6 Qxd6 | 23.Nxd6 Nb6 | 24.Nb7 Rb8 | 25.Nxc5 Nc4 |
| 26.O-O Rf3 | 27.Kg2 Rxe3 | 28.fxe3 Nxe3+ | 29.Kf3 Nxf1 | 30.Rxf1 Nd8 |
| 31.Rd1 Bf8 | 32.Nd7 Rc8 | 33.Nf6+ Kg7 | 34.Rd7+ Nf7 | 35.Ne2 h5 |
| 36.h4 a4 | 37.Ra7 a3 | 38.Rc7 Rd8 | 39.Nd7 Bd6 | 40.Rb7 Rc8 |
| 41.Nf6 Kf8 | 42.Rb3 Be7 | 43.Rb8 Rxb8 | 44.Nd7+ Ke8 | 45.Nxb8 Nd8 |
| 46.Nc1 Bd6 | 47.Na6 Kd7 | 48.Nd3 Kc6 | 49.c4 Kb6 | 50.c5+ Kxa6 |
| 51.cxd6 Nf7 | 52.d7 Kb6 | 53.d8=Q+ Nxd8 | 54.Nxe5 Kc5 | 55.Ke3 Nc6 |
| 56.Nxg6 Kc4 | 57.Nf4 Kc3 | 58.Nd3 Ne7 | 59.Ne5 Kb2 | 60.Kd2 Kxa2 |
| 61.Kc2 Ka1 | 62.g6 Nxg6 | 63.Nxg6 e5 | 64. ... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 577 Ans. :**
33. Ng6+ Kg8 34. Qg7+ The white queen clears the way for White's knight to the square h6. Rxg7 Blocking square g7.
35. Nh6# Double knight mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com